**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) খোঙজোম নুমিৎনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা থৌনা ফরবা অথৌবশিংগী মতৌ তম্লশি হায়না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি।

খোঙজোম নুমিৎকা মরী লৈননা মীয়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবগীদমক বসশিং চেনগদৌরি।

২) এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ গী নোংচুপ লানফমদা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংদা মীয়ামনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

৩) ত্রোংলাউবী অমদি টি.এম. কসোমগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসিসু মফম কয়াদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনখ্রে।

৪) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- ঐখোয় পুমমকা অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নরশি।

অমসুং

৫) নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোট হয়েং থাদনবা শেম শাবা লোয়রে।

------

খোঙজোম (এল)ঃ খোংজোম নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ১৮৯১ গী ঐতিহাসিক ওইরবা এঙ্গলো মণিপুর ৱারদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা থৌনা ফরবা অথৌবশিংদা ইকায় খুমবা উৎলি। রাজ্যপালগী পাউজেলদা

খোংজোম নুমিৎ অসিনা লমদম অসিগী থৌনা ফবা, মরৈবাক মজাতিবু নুংশিজবা, অকিবা লৈতনা মরৈবাক্কীদমক লান্থেংনখিবশিং অদুবু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। খোংজোমগী লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংনা মরৈবাক মজাতিগীদমক নিংতম্বা পীরমখি। ঐতিহাসিক ওইরবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা থৌনা ফরবা অথৌবশিং অসিনা পীবীরম্বা ৱাখল্লোনশিং অসিবু ঐখোয় পুমমকা মতৌ তম্ফম থোকই। রাজ্যপালনা হায়-ইরৈবাক ইজাতিবু ঙাক শেনবা হায়বসি ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাংনি। মসি তুংগী মীরোলদসু খঙহনবা তঙাইফদে। অমত্তা ওইবগী লীপুন্না শান্তি, চাওখৎপা, নুংশি চান্নবা, লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি। কৎথোকপগা লোয়নননা থৌনা ফরবা অথৌবশিংনা য়াৎপীরম্বা লম্বী অদুদা ঐখোয় পুমমকা মতম চুপ্পদা চংশিনফম থোকই।

থৌবাল জিলাগী খোঙজোম খেবা চীংদা লৈবা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা খোঙজোম ডেগী পালন থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শারে।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ শরুক য়াগনি। থৌবাল জিলাগী খোঙজোম ডেগী থৌরম পাঙথোকফমগী অকোইবদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন লৌখৎলে।

বস (এল)ঃ খোঙজোম নুমিৎকা মরী লৈননা মীয়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবগীদমক বসশিং চেনগদৌরি। বসশিং তোঙান তোঙান্না মীচম মীয়াম, সরকারগী কর্ম্মচারি অমসুং মিদিয়াশিংগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী চেনগনি হায়রি।

মীচম মীয়ামশিং তোংনবগীদমক কোইরেঙ্গৈ, চীংমৈরোং, থাংমৈবন্দ, নাগামপাল, ৱাহেংবম লৈকাই, কৈশাম্পাৎ, পিশুম থোং, লিলোং, থৌবাল, খোংজোম, দি.সি. ওফিস পোরোমপাৎ, শোইবম লৈকাই, অন্দ্রো পার্কিং, ৱাংখৈ, কোংবা, শিংজমৈ থোং, লম্বোই খোঙনাংখোঙ গ্রাউন্দ, তেরা, শগোলবন্দ, ক্বাকৈথেল, হৈরাংগোই থোং, হিয়াংথাং, শমুরৌ, ৱাংগোই,

ময়াংইম্ফাল, ৱাবগাই, ককচিং, এম.এস.টি কমপ্লেক্স মোইরাংখোমদগী হয়েং অয়ুক পুং ৬ মখায়দগী বসশিং অদু খোংজোম তমা চৎকনি।

পাউমীশিংগী ওইনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আর. ওফিসতগী বস অনি অয়ুক পুং ৬ মখায়দা খোংজোম তমা চৎকনি। অদুগা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী ওইনা বাবুপারাদা লৈবা ফার্ষ্ট এম.আর গ্রাউন্দগী মমাং থাংবা মাইকৈদগী অয়ুক পুং ৬, ৬ মখায়, ৭, ৭ মখায় অমসুং ৮ দা তোঙান তোঙান্না বসশিং থাগনি হায়রি।

এঙ্গলো (এল)ঃ এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ গী নোংচুপ লানফম-লাইমতোন, লৈমাতাক অমসুং লমাংদোং  লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংদা মীয়ামনা লৈ-শু কৎপগী থৌরম ঙসি  কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেন্দরদ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১  মার্টিয়রস এন্দ ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক (মনিপুর) অমসুং দিসিদেন্টস ওফ এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ না শিনবনি।

থৌরম অদুদা  ষ্টেন্দরদ রাবার্ট হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দর-ফৈরোইজম লন্ধোনি দেবী, জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ মার্টিয়রস এন্দ ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক (মনিপুর)গী চেয়ারমেন জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (ন্যুজ) থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ, মেজর লৈতাম মুক্তাগী মশুনুপা-লৈতাম সরতচন্দ্র অমসুং লোংজাম্বা পোইলাগী মশুনুপা-লোংজম রোনেন্দ্রোনা দাইজ মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লানফম অদুদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মচা মশুশিংদা খুদোলপোৎ য়েন্থোকখি অমদি লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়- জষ্টিস কমিতিনা চহি কয়াগী মমাংদগী এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ গী তোঙান তোঙানবা লানফমশিংদা থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মখোয়দা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা থৌরম কয়া পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা ফৈরোইজম লন্দোনি দেবীনা লান অসিদা লৈখিদ্রবা অথৌবা পুমমক্কী পুন্সি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা লারিকশিং ফোংদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মখোয়দা মমা লৈবাক নুংশিবা অমদি অফবা পুন্সি অমা পুরকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়না ফোংদোকখি।

গভর্নর (এল)ঃ  ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চহিগী ওইবা মীফম ঙসি লোক ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ব্রাঞ্চ অসিগী ইং ২০২৬-২৯ ফাওবা মথৌ তৌগদবা মেনেজমেন্ট কমিতি শেম্বগী মতাং, থবক থৌরমশিং অমসুং শেল থুমগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদসু মিনিত অমা তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

সটদাউন্দ (এল)ঃ ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কৌখিবা নুমিৎ মঙানিগী সটদাউন্দগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতসু মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখি, মফম কয়াদনা মীয়ামগী খোঙচৎ চত্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

তম্পাক্কী জিলা মঙাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামা ৱাকৎ মীফম চথখি। মদুগী মনুংদা ইম্ফালগী ইম্ফালগী খুরাই লমলোং বজার, পাঙ্গৈ, কাঞ্চিপুর, লৈ ইংখোল, উয়ুমপোক য়াওনা তোঙান তোঙাবা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখি। মসিগীসু মথক্তা মফম কয়াদা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চংশিনখি।

ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা মৈতৈ, তাঙ্খুল, কবুই অমদি নেপালি ফুরুপকী মীওইশিং শরুক য়াদুনা ত্রোংলাউবী অমদি টি.এম. কসোমগী মীহাৎকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোকখি। রাজ্য অসিদগী খুৎলায় পায়বা তেরোরিষ্টশিং মরু ফংনা মুথৎলু, মণিপুর থুগাইগনি হায়বা ৱাফম কৈদৌনুংদা মঙফাওনবা ঙমলোই হায়বনচিংবা ৱাফমশিং খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা ফোংদোরকখি।

অমরোমদা, অমুকো, এম.এস.এফ, অমাওভা, পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুর অমদি কোহরগী লীচিং মখাদা চত্থরকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি কোংবা দোবি লম্পাক্তগী হৌদুনা য়াম্লবা মীয়ামা খোল্লাউ কয়াগা লোয়ননা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদুনা ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক মপা য়ৌরকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকবা থোকখি। মীয়ামগী ইহৌ অদুবু লাকশিন্নবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা তিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্তুনা তানখায়খি। লুপ ৬ অসিগী লীচিং মখাদা বিষ্ণুপুর জিলাগী থিনুংগৈদসু মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখি।

উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কসোমদা মীওই অনি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি)না কৌখিবা নুমিৎ হুমনিগী টোতেল সটদাউনগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু নাগা তাবা মফমশিংদা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকাইবা পীখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লম্বী থিংবা, ৱাকৎ মীফম চত্থবনচিংবা খোঙজংশিং চংশিনখি।

অমরোমদা, থালোন বিধান সভাগী এম.এল.এ. ওইরম্বা লৈখিদ্রবা বুংজাগীন বালতেগী মীশিগা মরী লৈনা ঙসি জোমি ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসননা অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা চুরাচান্দপুরদা টোটেল সটদাউন্দনা মরম ওইরগা দুকানশিং থোং লোন্নখি, লম্বীদা গাড়ি চৎনখিদে, স্কুল কলেজ থোং লোন্নখি।

আর্থ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- ঐখোয় পুমমকা অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নরশি। সোসিয়েল মিদিয়াদা মালেমগী আর্থ ডে নুমিৎকা মরী লৈননা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঐখোয়গী গ্রহ অসিবু ঙাক শেন্নবা অমসুং কন্নবগীদমক মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইবা থৌদাং লৌমিন্নশি। চহি অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি- ‘অৱার পৱার, অৱার প্লানেট’ হায়বসিনি।

জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিসনা শিন্দুনা ককচিং জিলাদা ৱার্ল্ড আর্থ ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা জাতিগী ওইবা ৱেভিনার অমদা শরুক য়াখি। স্কুল ৪৪ গী মহৈরোই অমদি ওজা লিশিং ১,২৬৭ না ৱেভিনার অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা উ-চারাশিং থাখি, অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা খঙহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ভারত লান্মীগী রেড সিল্ড দিভিজন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈথেলমানবীদা আর্থ ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নোংপোক কৈথেলমানবী কৈথেল অমদি এদভান্স ইংলিস স্কুলদা লু নানবগী দ্রাইভ অমা পাঙথোকখি। মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকপা দ্রাইভ অদুদা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বা অমদি ফত্ত-হাউদি য়াওনা প্লাষ্টিক্কী ওইবা পোৎলমশিং মফম চানা থমবা পাউজেল কয়া পীখি।

অসাম রাইফলসনসু ঙসি ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরম চান্দেল অমসুং কামজোং জিলাদা মফম অদুগী মীয়ামগা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা পাক শন্না উ-চারা থাখি, লম-তু শেংদোকপগী থৌরমসু পাঙথোকখি অমদি প্লানেট ভরসেস প্লাষ্টিক হায়বা হিরমসিবু খঙমিন্নবগী থৌরম অমসু শজিক তম্পাক, মোলচাম অমসুং কমপা খুল্লেনগী খুঞ্জাশিংগা পাঙথোকখ্রে। মীপুম খুদিংমকা অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবা ৱাফমশিংসু মীয়ামদা শুগাইনা খঙহনখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগা নুংশি চান্ননা অচেৎপা মরী থমদুনা চাওখৎপগী মাইকৈদা চৎমিন্ননবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিং, স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমসুং খুলগী মকোকশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওহশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

স্কোলারসিপ (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী ইন্সটিট্যুটশিংদা তন্বা ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী ও.বি.সিশিংগী পি.এম. য়াসসবি মেট্রিক স্কোলারসিপ স্কিম, পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারসিপ স্কিম অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংগী ওইনা কেন্দ্র সরকারনা স্পোন্সর তৌবা ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী প্রি-মেট্রিক স্কোলারসিপ অমদি পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারসিপকী ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন মথং থাগী ১ দগী তৌবা য়ারগনি। ও.বি.সি অমসুং সেদ্যুল কাষ্টকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- স্কোলারসিপ অসি ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অরোইবা মতমনা সেপ্তেম্বরগী ৩০ ফাওবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক বিভাগ অসিগী ৱেব সাইটতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

মীখল ঃ নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোট হয়েং থাদনবা শেম শাবা লোয়রে।

নোংচুপ বেঙ্গোলগী অহানবা তাঙ্কক্তা জিলা ১৬ কী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫২ দা ভোট থাদনগনি। অকাশবানি পাউমীনা হায়- তাঙ্কক অসিদা মীরেপ লিশিং ১,৪৭৮ না লন্বা থেংনরি। নোংচুপ বেঙ্গলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থাদনগনি।

অমরোমদা, তামিলনাদু বিধান সভাগী তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোক্কদবা মীখল অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ২৩৪ দা ভোৎ থাদনগনি। মীখল অসিদা ভোতর কোতি ৫ লাখ ৭৩ লিশিং ৪৩ হেনবনা মীরেপশিংগী মরাইবক লেপকনি।

মরক অসিদা, ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলগা মরী লৈননা নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং তামিলনাদুদগী লুপা কোতি লিশিং ১ হেনবগী শেল অমসুং মাল চাং ফাগৎলে হায়রি। নোংচুপ বেঙ্গলদগী লুপা কোতি ৪৭২ হেনবগী শেল অমসুং পোৎলম কয়া ফাগৎখি। তামিলনাদুদগীসু মীখল অসিগা মরী লৈননা লুপা কোতি ৫৯৯ হেনবগী পোৎলমশিং ফাগৎখি। কম্মিসন্না হায়- মীখল অনি নিয়ম চুমা অমসুং নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমবা ফ্লায়িং স্কৱাদ টি লিশিং ৫ হেন্না মথৌ তৌরি।

মসিগী মথক্তা ষ্টেটিক সার্ভিলেন্স টিম লিশিং ৫,৩০০ অমসু রাজ্যশিং অদুদা নিংথিনা য়েংশিল্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ    ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ.আই.এফ.এফ)গী মীৎয়েং মখাদা পঞ্জাবগী রমথর সাহিব স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অন্দর আইতিন ইলিট য়ুথ লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মণিপুরগী টাইদা অমদি পঞ্জাব এফ.সি পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা জিঙ্ক ফুটবোল একাদমিনা অসুফি এফ.এবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি।

ফেন্সিং ঃ    ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরিরক শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ খুমন লম্পাক্কী ফেন্সিং হোলদা মে ১৪ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিয়েসন অমদি একাদমিশিংনা মখোয়গী এফিলিয়েসন রিনিউ তৌনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী খঙহল্লক্লি।

ক্রিকেট ঃ    ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকাগী মেটচ মঙাগী ওইবা নুপীগী টি-ত্বেন্তি ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট সেরিজগী অহুমসুবা মেটচ ঙসি জোহানেবার্গতা লৈবা ৱান্দররস ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দগী হৌগনি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙসি লখনৌ সুপর জাইন্টসকা রাজস্থান রোয়েলসকা ঙসি লখনৌগী অতল বিহারি ভাজপায় একনা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নরি। রাজস্থান রোয়েলসনা টোস ঙমদুনা হান্না বেত্তিং তৌরি।

------